# মরিওপোলগী হোস্পিটালদা এয়র ষ্ট্রাইক চথবদা মীওই অহুম শিরে, ১৭ রোম অশোক অপন নঙলে

কিভ, মার্চ ১০ (এজেন্সী):

রসিয়ন ট্রুপশিংনা লাঙ্গোই চল্লবা য়ুক্রেনগী সিটি মরিওপোলদা লৈবা মেটর্নিটি অমসুং অঙাংশিংগী হোস্পিটাল অমদা ঙরাং এয়র ষ্ট্রাইক চথরকখিবদা য়ামদ্রবদা মীওই অহুম শিরে অমসুং য়ামদ্রবদা মীওই ১৭ অশোক অপন নঙলে হায়না শগোলশেল নুমিত্তা সিটি অসিগী ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।



সোসিয়েল মেদিয়া পোষ্ট অমদা মরিওপোল সিটি কাউন্সিলনা হায়খি, ভিক্তিমশিংগী মনুংদা অঙাং অমা য়াওখি অমসুং অশোকপশিংগী মনুংদা ডাক্তরশিং অমসুং নুপীশিংসু য়াওখি। রসিয়ন ট্রুপশিংনা অতম্নমা অমসুং হালেংবা লৈতনা মরিওপোলগী সিভিলিয়ন পোপুলেসনদা টার্গেট তৌদুনা এটেক্ট কয়া লেপ্তুনা চথরক্লি।

মালেম পুম্বনা রসিয়ানা মীওইবা খুন্নাই, য়ুক্রেন অমসুং মরিওপোলগী মীয়ামগী মায়োক্তা তৌরিবা ক্রাইম অসি খঙগদবনি হায়না পোষ্ট অদুদা পনখি। মরিওপোলগী দিপ্যুটি মেয়র সর্গি ওর্লোবনা বিবিসিদা ফোঙদোকখিবদা রসিয়ানশিংনা ফেসিলিটি অসি খঙনা খঙনা শাথিরবা এটেক্ট অদু চথরকখিবনি।

মসি মখোয়না সিটি অসিদা মাঙহন তাকহল্লিবা হোস্পিটালশিংগী মনুংদা অহুমশুবনি। হোস্পিটালশিংদা হালেংবা লৈতনা শাথিবা খুৎলায়শিং শীজিন্নদুনা চথরকখিবা এটেক্টশিংদা মীশি মীনা কয়া থোক্লি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মরিওপোলগী ফমুং ৩০০ লৈবা কোভিদ পেসেন্টশিং লায়েংবগী দেদিকেটেদ হোস্পিটাল অমগা লোয়ননা ব্লদ-কলেক্সন সেন্টর অমা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা আর্টিলরি সেল কাপশিন্দুনা থুগায়খি। খুদিংমক অসি মখোয়না খঙনা খঙনা অতম্নমা টার্গেট তৌখিবনি হায়বসি শোয়দ্রবা ৱাফমনি।

ৱার্ল্ড হেল্ঠ ওর্গনাইজেসনগী মতুং ইন্না রসিয়ানা লান দাবা হৌখিবদগী য়ুক্রেনগী হেল্ঠ ফেসিলিটি ১৮ দা এটেক্ট তৌখ্রে। য়ুমশকৈশা নুমিত্তা মেটর্নিটি হোস্পিটালদা চথখিবা এটেক্ট অদু ৱার ক্রাইম অমনি হায়না য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট ভোলোদিমির জেলেন্সকিনা ফোঙদোকখ্রে।

ভিদিও অমদা প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিনা হায়খি, মদুদি রসিয়ন ফোর্সশিংনা মরিওপোলদা চথরিবশিং অসি য়াম্না কা হেল্লবনি। রসিয়া হায়বসি করম্বা লৈবাকনো। মখোয়না হোস্পিটালশিং অমসুং মেটর্নিটি ৱার্দশিংবু কিরি অমসুং মখোয়বু থুগায়রি। এটেক্ট অদুবু মালেমগী মফম কয়াদগী কন্দেম তৌনখি। হ্বাইট হাউসনা এটেক্ট অদুবু মরাল লৈজদবা মীচমশিংগী মায়োক্তা নুংশি হৈতনা ফোর্স শীজিন্নবা অমনি হায়খি।

য়ুকেগী প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সননা ট্যুটর পোষ্টকী খুত্থাংদা ফোঙদোকখিবদা মরাল লৈজদবা অশোনবশিংদা টার্গেট তৌবা অসিদগী হেন্না ফত্তবা অতৈ লৈরম্লোই। বিবিসিগী রিপোর্টনা হায়রি, মদুদি মরিওপোল সিটি অসি নুমিৎ কয়ানি চুপ্পা রসিয়ন ফোর্সশিংনা কোয়শিন্দুনা থম্লক্লি অমসুং সিজ ফায়র চৎনহন্দুনা সিটি অসিদগী মীচমশিং থোকহনখিনবা হঞ্জিন হঞ্জিন্না হোৎনখিবদা মায় পাকখিদ্রবনি।

দিপ্যুটি মেয়র ওর্লোভকী মতুং ইন্না ফেব্রুৱারী ২৪ দা রসিয়ানা লান হৌখিবদগী সিটি অসিদা য়ামদ্রবদা সিভিলিয়ন ১১৭০ রোম শিখ্রে হায়রি।

# সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্সিএল ইলেক্সনদা কঞ্জার্ভেটিব কেন্দিদেট য়ুন সুক-য়িওলনা মায় পাক্লে

সিওল, মার্চ ১০ (এজেন্সী):

সাউথ কোরিয়ানা কঞ্জার্ভেটিব ওপোজিসন কেন্দিদেট য়ুন সুক-য়িওলবু লৈবাক অসিগী মথংগী প্রসিদেন্ট ওইনবা খনখ্রে।



পোলিটিক্সতা নৌনা খোঙদারকপা ওপোজিসন কেন্দিদেট য়ুননা প্রসিদেন্সিএল ইলেক্সনদা ক্লাস ইনএক্বেলিটি লাকশিনগনি হায়বা ৱাশক অমগা লোয়ননা দেমোক্রেটিক পার্টিগী লিজে-মিয়ুংবু মায়থীবা পীখি।

মীখলদা মায় পাক্লিবদু সাউথ কোরিয়াগী মীয়ামগী মায় পাকপনি হায়না মিয়ুংনা ফোঙদোকখি। তৌইগুম্বসুং সাউথ কোরিয়াগী খ্বাইদগী নৌবা প্রসিদেন্সিএল ইলেক্সনগী রিজল্ট অসি লৈবাক অসিগী পুৱারীদা খ্বাইদগী নকশিন্ননা লম্বা তৌনখিবশিংগী মনুংদা অমা ওইখি।

ভোট মশিং থীবা লোইবদা কেন্দিদেট অনীগী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবা অসি ভোট মশিং চাদ অমা য়ৌখিদে। শগোলশেল নুমিৎকী অঙনবদা মায় পাকপগী থৌরমদা সপোর্টরশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা য়ুংনা হায়খি, মদুদি মহাক্না মীয়ামগী হিংনবগী পান্বেশিংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙগনি, শেল থুমদা শোত্থরবশিংদা ৱেলফ্যের সার্ভিস কয়া ফঙহনগনি অমসুং ঐখোয়গী লৈবাক অসি ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিগী থৌদাং মশক খঙবা অমসুং চাওথোকচনিংঙাই ওইবা মেম্বর অমা ওইনবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি।

প্রসিদেন্সিএল কেন্দিদেট অনীমক কেম্পেইন মনুংদা মীয়াম্না খ্বাইদগী হেন্না পাম্নবশিং ওইনা উন্নখি।

এনালিষ্টশিংনা হায়রি, মদুদি ফ্রন্টরন্নরশিংনা মীখলদা মায় পাক্নবা তৌখিবা থবকশিং ভোটরশিংনা পাম্নখিদে। মখোয়না মমাঙদা মায় পাকখিবশিং অদু মীয়াম্না পাম্নদবশিংনা মায় পাকপনি হায়না লোকেল মেদিয়ানা ফোঙদোক্লখি।

য়ুমশকৈশ নুমিৎকী ইলেক্সন অদুদা ভোটর মশিং য়াম্না ভোট থাদনখি হায়বা য়াই। পুন্না ইলিজিবল ভোটর চাদ ৭৭ না হন্দক্কী প্রসিদেন্সিএল মীখল অসিদা ভোট থাদনখি। ভোটরশিংনা লুনা লৌরিবা ৱাফম খরদি য়ুংগী মমল কা হেন্না ৱাংলকপা, ইকনোমিক গ্রোথ নেম্লকপা, নহারোলশিংনা থবক ফঙলক্তবা অমসুং জেন্দর ইনএক্বেলিটি অসিনি।

# য়ুক্রেনগী লেবশিংনা সেকপিদগী লৌবা কোরোনাভাইরস সেম্পলশিং চাংয়েং তৌখি: রসিয়া

মোস্কো, মার্চ ১০ (এজেন্সী):

সেকপিদগী লৌবা কোরোনা ভাইরসকী সেম্পলশিং য়ুক্রেনদা লৈবা বাইওলোজিকেল লেবোরেটিশিংদা চাংয়েং তৌখি হায়না রসিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ক্লেম তৌখ্রে।



আরটি ন্যুজনা মিনিষ্ট্রি অসিগী চীফ স্পোক্সমেন মেজর জেনরেল ইগোর কোনাসেনকোফকী ৱারোল পল্লদুনা হায়, বাইওলেবোরেটরিশিং অদুনা সেকপিদগী লৌবা কোরোনা ভাইরস সেম্পলশিং চাংয়েং তৌখি হায়বসি দোক্যুমেন্টশিংনা উৎলি। লেবোরেটরিশিং অদু মপানগী ফনিদংনা লিংখিবনি।

কোনাসেন কোফনা হায়খি, য়ুএসনা য়ুক্রেনদা পায়খৎলিবা অরোনবা মিলিটরি বাইওলোজিকেল এক্তিভিটিশিংগা মরী লৈনবা অতোপ্পা দোক্যুমেন্ট পেকেজ অমসু মিনিষ্ট্রি অসিনা থুনা ফোঙলগনি অমসুং মখোয়গী একজামিনেসন অদুগী রিজল্টশিং খঙহল্লগনি।

মহাক্না হায় মতম খরগী মনুংদা ঐখোয়না বাইওলোজিকেল লেবোরেটরিশিং অদুগী য়ুক্রেনিয়ন এমপ্লোয়িশিংদগী ফঙবা দোক্যুমেন্টশিংগী ওইবা অতোপ্পা পেকেজ ফোঙলগনি। স্পোক্সমেন অসিনা হায়খি, মদুদি অমেরিকান রিপ্রজেন্টটিবশিংগী ইন্সট্রক্সনদা য়ুক্রেনদগী লৌবা হ্যুমেন বাইওমেটরিয়েলশিং মপান লৈবাকশিংদা ট্রান্সফর তৌবগী দোক্যুমেন্ট পুম্নমক রসিয়ন এক্সপার্টশিংনা ষ্টদি তৌরে।

য়ুএসকী লিদরশিপ মখাদা য়ুক্রেনদা বাইওলোজিকেল লেবোরেটরি কয়া লিংখৎলল্লিবা অসিনা ৱাশিংতনগী রোলদা অহোংবা কয়া লাকহল্লে। মসিনা রসিয়াদা হকথেংননা অকিবা পোকহল্লি হায়না ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপার্সন মারিয়া জাখোরোভানা মমাঙদা ফোঙদোকখ্রবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি অসিগুম্বা লেবোরেটরিশিং অসি বাইওলোজিকেল ফিল্ডদা অমেরিকান মিলিটরিনা পাঙথোক্লিবা এক্সপরিমেন্টশিংগা মরী লৈনৈ। মসিনা য়ুক্রেনগী মরাইবক লেপ্পদা য়ুএস চেন্নরিবা অসিদা অচৌবা অহোংবা অমা লাকহল্লি।

মসি শুপ্নগী ইথিল পীনবগী ইন্সট্রুমেন্ট অমনি হায়না লৌবা য়াদবদা নত্তনা মসি লৈবাক অনীগী মরী কন্ট্রোল তৌনবগী ইন্সট্রুমেন্ট অমসু নত্তে।

তৌইগুম্বসুং মসি ঐখোয়দা হকথেংননা অকিবা পোকহনবা ইন্সট্রুমেন্ট অমনি।

য়ুএসনা লুচিংবা মিলিটরি বাইওলোজিকেল প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা লৌনগনবা মাইক্রোব কয়া শীজিন্নদুনা লিভিব, খর্কিপ অমসুং পোলতাভাদা লৈবা লেবোরেটরি ৩০ হেনবদা চাংয়েং তৌই হায়না মমাঙদা রসিয়ানা ক্লেম তৌখ্রবনি।

# খর্কিভতা সেল কাপ্পদা অঙাং অনী য়াওনা মীওই মরি শিরে

কিভ, মার্চ ১০ (এজেন্সী):

খর্কিভতা রসিয়ন ট্রুপশিংনা সেল কাপ্পদা অঙাং অনী য়াওনা মীওই মরি শিখ্রে অমসুং লৈবাক অদুগী য়ুক্রেনগী অনীশুবা সিটি অদুগী সেন্টরদা লৈবা সোপ্পিং মোল অমা থুগায়খ্রে হায়না শগোলশেল নুমিত্তা য়ুক্রেনগী ষ্টেট ইমর্জেন্সি সার্ভিসেসনা ফোঙদোকখ্রে।



ফেসবুকতা থাগৎপা এসইএস অপদেট পোষ্টকী মতুং ইন্না রসিয়ান ফোর্সশিংনা য়ুমশকৈশগী অহিংদা খর্কিভ অমদি লমদম অদুগী ভিলেজশিংগী মী লৈবা মফমশিংদা শেল কাপখি অমসুং নোংথক্তগী বোম থাদখি। সেল কাপ্পগী থৌদোকশিং অদুগী মনুংদা স্লোবোঝান্সকে ভিলেজতা লৈবা য়ুম অমা সেলনা পানখি।

থৌদোক অদুদা নুপী অনী, অঙাং অনী শিখি অমসুং চহী মঙা শুরবা নুপীমচা অমা শোকখি। অপদেট অদুগী মতুংইন্না এসইএস য়ুনিটশিংনা অকায় অতোই মরক্তগী অহেনবা ভিক্তিমশিং থিবগী ওপরেসন মখা চথুরি। নুমিদাং পুং ১০.৪৬ তাবদা খর্কিভকী সেন্টরদা লৈবা নিকোলসকী সোপ্পিং মোল মাঙ তাকপগা লোয়ননা মৈ চাকপগী মেসেজ অমা এসইএসনা ফঙখি।

রেস্ক্যু সার্ভিস অহুম মফম অদুদা থাজিনখি অমসুং স্কৱার কিমি ১০০ রোম চাওনা মৈ চাক্লিবদু শগোলশেল নুমিৎকী নোংঙাল্লমদাই পুং ৩ লোম তাবদা লাকশিনবা ঙমখি।

মদুদা মীওই অমত্তা শিখিদে হায়বসি এসইএসনা কনফার্ম তৌখি। রসিয়ন ট্রুপশিংনা কন্না সেল কাপ্পনা মরম ওইদুনা মৈ মুখুৎপীনবা অমদি বিল্ডিংগী অকায় অতোইশিং লৌথোকপীনবা তৌরকখিবা কোল ৩০ হেন্না রেস্ক্যুৱরশিংনা ওকখি।

উক্রায়িন্সকা প্রাভদা পাউচেগী রিপোর্টকী মতুং ইন্না পুন্না ফায়র অমসুং রেস্ক্যু ইক্বিপমেন্ট য়ুনিট ৪০ হেন্না অমসুং এসইএস পার্সনেল ২০০ রোম্না মৈ কনবা অমদি অৱা অনা তারবশিং মতেং পাঙবা অমদি ভিক্তিমশিং থিবগী থবক্তা শরুক য়াখি।

খর্কিভতা রেস্ক্যুৱরশিং, ভোলুন্টিয়ারশিং অমসুং য়ুটিলিটি সার্ভিস ৱার্করশিংনা অমাঙ অতা থোক্লবা য়ুম অমদি ওফিস বিল্ডিংশিংগী অকায় অতোইশিং শেংদোকপগী থবক চথুখি।

# য়ুএন এনভোইনা য়েমেনগী পোলিটিকেল পার্টিশিংগা মখা তানা ৱা তান্নরি

অদেন, মার্চ ১০ (এজেন্সী):

পিছ টোক্ক মখা চথবা য়াহন্নবা হোৎনরগনি। য়ুমশকৈশা নুমিত্তা য়েমেন এফিয়ার্সকা মরী লৈননা য়ুএন স্পিসিয়েল এনভোই হান্স গ্রুনবর্গনা য়েমেনগী পোলিটিকেল পার্টিশিংদা ৱা তান্নখ্রে।



এনভোই অসিগী ওফিসনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, মতম শাংলবা সিভিল ৱার অদু লোইশিন্নবগী মপুং ফাবা সোলুসন অমা পুথোক্লবগী ফ্রেমৱার্ক অমা শেম্নবগী পান্দমদা মহাক্না জোর্দানগী কেপিটেল অমানদা য়েমেনগী পার্টিশিংগী রিপ্রজেন্টেটিবশিংদা মীফম পাঙথোকখি।

এনভোই অসিনা জেনরেল পিপলস কংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবশিং অমদি ইস্লাহ পার্টি, য়েমেনগী সোসিয়েলিষ্ট পার্টি, নাসেরিষ্ট য়ুনিয়ানিষ্ট পিপলস ওর্গনাইজেসনগী দেলিগেসনশিংগা ৱারী শান্নখ্রে।

মথংগী চয়োল খরা অসিদা জোর্দান অমসুং য়েমেনদা পোলিটিকেল পার্টিশিং, সেক্যুরিটি অমসুং ইকনোমিক সেক্তরশিংগা লোয়ননা সিভিল সোসাইটিগী নুপা অমসুং নুপী ১০০ হেনবগা ৱা তান্নগনি।

এনভোই অসিনা য়েমেনগী গভর্নমেন্ট অমসুং হাওথি গ্রুপ অমদি রিজনেল অমসুং ইন্টরনেসনেল ষ্টেক হোল্ডরশিংগা মখা তানা ইনগেজ তৌগনি। গ্রনবর্গনা হায়, মসি য়েমেনগী অরুবা তানফম অমনি। চহী নিপান চঙলক্লবা কনফ্লিক্ট অদুনা সিভিলিয়নশিংবু মখা তানা ৱাহল্লি, রিজনেল ষ্টেবিলিটিদা অকিবা পীরি অমসুং ইংনা চিক্লা সোল্যুসন পুরক্লবা হোৎনবদা অপনবা ওইহল্লি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি ইনক্লুসিব পোলিটিকেল প্রোসেস অমা লিংনবা থুনা থবক পায়খৎপা মথৌ তাই। মাঙ তাক্লিংঙাই ওইরবা ফিভম কয়া লৈরম্লিবসি অনৌবা মায়ওন অমদা লাকহন্দুনা তোঙান তোঙানবা লেবেলশিংদা ৱারী শান্নবগী খুদোংচাবশিং লৈহন্নবা হোৎনগদবনি।

হাউথি মিলিসিয়ানা কুমজা ২০১৪ দা কেপিটেল সানা য়াওনা য়েমেনগী অৱাং থংবা প্রোভিন্স পুম্নমক পায়শিনখিবদগী লৈবাক অসিদা সিভিল ৱার অমা থোক্তুনা লাকখি। কুমজা ২০১৫ দা লৈবাক অসিগী মালেমনা শকখঙবা প্রসিদেন্ট অবদ-রাব্বু মন্সর হাদিগী গভর্নমেন্ট শৌগত্তুনা সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা অরব মিলিটরি কোলিসন অমনা লৈবাক অদুগী কনফ্লিক্ট অদুদা য়াওশিনখি।

# অহেনবা হ্যুমেনিটরিয়ান কোরিদোর তরুক হাংনবা থৌরাং তৌরি: জেলেন্সকি

কিভ, মার্চ ১০ (এজেন্সী):

য়ুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিনা হায়খ্রে, মদুদি রসিয়ন ফোর্সশিংনা এটেক্ট চথরিবা সিটিশিংদা পন্দুনা লৈরিবা মীওইশিংবু অশোয় অঙাম য়াওদনা মফমশিং অদু থাদোকপা য়ানবা মহাক্কী লৈবাক্না অহেনবা হ্যুমেনিটরিয়ান কোরিদোর তরুক হাংনবা থৌরাং তৌরি।



য়ুক্রেনদা শোক্লরিবা লান নুমিৎ ১৫ শুজিল্লকপগা লোয়ননা প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিনা হায়খি, মদুদি মহাক্কী লৈবাক্না মীচমশিং অশোয় অঙাম য়াওদনা থোকহনখিবা য়ানবা মখা তানা অহেনবা হ্যুমেনিটরিয়ান কোরিদোর তরুক হাংননবা শেম শারি।

খ্বাইদগী নৌনা মহাক্কী ভিদিও এদ্রেসতা প্রসিদেন্ট অসিনা ক্লেম তৌরি মদুদি য়ুক্রেনগী সিটি অহুম সুমি, কিভ অমসুং ইন্নরগোদারদা পন্দুনা লৈরিবা মীচমশিং অশোয় অঙাম য়াওদনা থোকপা য়ানবা হ্যুমেনিটরিয়ান কোরিদোর অহুম লৈহন্নবা ঐখোয়না কন্না হোৎনখি। হ্যুমেনিটরিয়ান কোরিদোরশিং অদুনা মরম ওইদুনা সিটিশিং অদুদগী মীওই ৩৫,০০০ হেন্না থোকহনখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ঐখোয়না কোরিদোর তরুক হাংননবা শেম শারি। মরিওপোল, ইজিম, বোলনোবখাদা লৈরিবা মীওইশিং অশোয় অঙাম য়াওদনা মফমশিং অদু থাদোকপা ঙম্লগনি হায়না ঐখোয়না থাজে। মীচমশিং অদুবু ঐখোয়গী মনিং তম্বা য়ুক্রেনগী খুদোংথীবা নঙলোইদবা সিটিশিংদা পুননবা থৌরাং তৌরি। ওথোরিটিশিংগী মতুং ইন্না রসিয়ানা এরিয়েল বোম্বারমেন চথদুনা লাকপা সুমি সিটিদগী মীওই ৫০০০ রোম শাফগদবা মফমশিংদা পুথোকখ্রে।

সিটি অদুদগী থোকপা য়ানবা শেল্লিবা হ্যুমেনিটরিয়ান কোরিদোর অহুম শগোলশেল নুমিত্তা অয়ুক পুং ৯ দগী হাংখি। য়ুমশকৈশা নুমিত্তসু ইর্পিন অমসুং ভোরজেল টাউনশিংদগী নুপী অমসুং অঙাং ৪০,০০০ হেন্না হোন্দোকখি। নেসনেল পুলিস সার্ভিসনা ক্লেম তৌরি মদুদি কিভকী বুচা রিজনদগীসু মীওই লিশিং কয়া হোন্দোকখ্রে। কিভকী চিদাইদা শেম্বা ইমর্জেন্সি কেম্প অমদা মীওই কয়াদা চান থক্লবা পোৎলমশিং ফঙহনখি।

মেদিকেলগী মতেং পীবগা লোয়ননা মীওইশিং অদুনা থুংগদৌরিবা মফমশিংগী মায়কৈসু তাকপীখি।

রসিয়ানা লেপ্তুনা এটেক্ট তৌবদগী মরিওপোল, কিভ অমসুং খর্কিপতা পন্দুনা লৈরিবা মীওইশিং থোরকপদা খুদোংচাদবা কয়া লৈখি।

# ইরাননা ন্যুক্লিয়র দিলগী পার্টিশিংদা খুদক্তা পোলিটিকেল ৱারেপ লৌনবা আপিল তৌখ্রে

টেহ্‌রা, মার্চ ১০ (এজেন্সী):

করিগুম্বা য়ুএসনা থল্লিবা শেল থুমগী অথিংবশিং লৌথোক্লবা মরী লৈনবা পার্টিশিংনা খুদক্তা অচুম্বা পোলিটিকেল ৱারেপশিং লৌবা তারবদি কুমজা ২০১৫ গী ন্যুক্লিয়র দিল হান্নগী ফিভমদা লাকহন্নবা ভিএনাদা ৱারী শান্নরিবা অসি মায় পাক্লা ৱারোইশিন পুরকপা য়াগনি হায়না ইরানগী সেনিয়র দিপ্লোমেট অমনা ফোঙদোকখ্রে।



ভিএনাদা লৈবা মালেমগী ন্যুক্লিয়র বোদিদা লৈবা ইরানগী পার্মেনেন্ট মিসনগী মকোক মোহম্মদ রেজা গ্রেভিগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, য়ুএস অমসুং জোইন্ট কম্প্রিহেন্সিব প্লান ওফ এক্সন (জেসিপিওএ) গী অতৈ মেম্বরশিংনা নেগোসিএসনদা পুকচেল শেংলবদি অমসুং মীনুংশি য়াওদবা অথিংবশিং খুদক্তা লৌথোকপা য়ানবা অচুম্বা পোলিটিকেল ৱারেপশিং লৌবা তারবদি মায় পাক্লা ৱারোইশিন অমা পুরকপা হায়বসি ওইরোইদবা থবক অমা নত্তে। অতৈ পার্টিশিংনা জেসিপিওএগী ফ্রেমৱার্ক মনুংদা মখোয়না তৌফম থোকপশিং ভেরিফাইদ তৌবা য়াবা মওংদা মপুং ফানা ইমপ্লিমেন্ট তৌদ্রবদি টেহরান্না দিল অসিবু হান্নগী ফিভমদা লাকহন্নবা পায়খৎলিবা থবকশিং লেপ্তুনা ওন্ন তৈনবা থবকশিং ওইনা পায়খৎলক্কনি হায়না ইরাননা মমাঙদা হঞ্জিন হঞ্জিন ফোঙদোকখ্রবনি।

# ইস্লামাবাদ পুলিসনা রেইদ চথখিবা নোর্থ কোরিয়াগী এম্বেসিনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

ইস্লামাবাদ, মার্চ ১০ (এজেন্সী):

চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা পাকিস্থানগী কেপিটেল ইস্লামাবাদতা লৈবা নোর্থ কোরিয়াগী এম্বেসিদা সিটি অসিগী পুলিসনা রেইদ চথখিবগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌরদুনা এম্বেসি অসিনা সিটি অসিগী চীফতা কমপ্লেন তৌখ্রে।



থৌদোক অদু ভিএনা কনভেন্সন ভাইওলেট তৌই হায়রদুনা কমপ্লেন্ট অদু থাঙ্গৎখিবনি। ইস্লামাবাদ পুলিসকী ইন্সপেক্তর জেনরেলদা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা পীখিবা লেট্টর অমদা এম্বেসি অসিনা হায়খি, মদুদি নিংথৌকাবা নুমিৎতা নুপী অমা য়াওনা পুলিস পার্সনেল তরেৎনা এম্বেসিগী প্রেমিসেসতা লোনা য়াদবা মওংদা চঙলকখি। মিশন অদুগী ষ্টাফনা মখোয়দা এম্বেসিগী প্রেমিসেস হায়বসি দিপিআরকেগী সোভরেন্ট টেরিটোরিনি হায়না খঙহনবগা লোয়ননা মখোয়গী থবক অদু খুদক্তা লেপ্পনবা হায়খি।

তৌইগুম্বসুং হায়জরিবা অদু পুলিসনা য়াখিদে অমসুং মখোয়না আইটেম খরা লৌখৎনবা হোৎনবগী মিংদা এম্বেসিগী বেকয়ার্দতা লৈবা ষ্টোররুমশিংদা ছর্স তৌখি অমসুং ষ্টাফতা নোংমৈ উত্তুনা কিহনখি।

দিপিআরকে হায়বসি নোর্থ কোরিয়াগী ওফিসিএল মিং ওইরিবা দিমোক্রেটিক পিপলস রিপব্লিক ওফ কোরিয়া হায়বনি।

লেট্টর অদু পল্লদুনা দোনগী রিপোর্ট অদুনা হায়, পুলিস ওফিসিএলশিং অদুনা থোঙ নমখায়রগা বেজমেনদা লৈবা কাদা চঙশিল্লকখি।